# সব–জুনিয়ার বোইজ নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ মেঘালয়ানা ত্রিপুরাবু গোল ১৩–০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ)কী মিৎয়েং মখাদা ওল মণিপু ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৬ ( মণিপুর, ত্রিপুরা, মিজোরাম, অসাম, মেঘালায়া অমদি অরুনাচল প্রদেস)না শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী অর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চথরকখিবা সব–জুনিয়ার বোইজ নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭, নোর্থ ইষ্ট জোন ঙসিগী মেৎচ অমদা মেঘালয়ানা ত্রিপুরাবু গোল ১৩–০দা মায়থিবা পিখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ২শুবা মেৎচ ওইনা ঙসি মেঘালয়াগা ত্রিপুরাগা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেৎচ অদু নাকল নামখক্কী ওইনা তৌখিবগা লোয়ননা মেঘালয়ানা য়াম্না লাকচনা ত্রিপুরাবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেৎচ অদুদা মেঘালয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেৎচকী মিনট ৫০, ৫৫, ৭৫ অমদি ৯০ প্লস ২দা ফেরলি ষ্টার সুটিংনা গোল ৪, মিনট ৬৫, ৬৮ অমদি ৭০দা সাংতি জনাই সিয়াংলোংনা গোল ৩, মিনট ৭৬তা তোরিলাং ৰান্নিংয়াংনা গোল ১, মিনট ৭৮, ৮৮ অমদি ৯০ প্লস ৩দা গোল ৩, মিনট ৬৪দা ইম্বোকলাং নোংখিংলৌনা গোল ১ অমদি মিনট ৯০দা গ্লাদিনেলসেন খারবুলিনা গোল ১গা চনখি।

মেৎচ অদুগী ১৪শুবা অমদি ৭১শুবা মিনটতা ত্রিপুরাগী নাইসা জমাতিয়া অমদি দেব বরমাবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মখাতাবা ওইনা হয়েংগী মেৎচ অমদা অসামগা মিজোরামগা লম্বা থেংনরগনি।

# ৭শুবা কে কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল আই দব্লিউ এস সি অমদি সিকো মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রেক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা খুরখুল অৱাং লৈকায় গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রবা মতুং হৌজিক লোয়তাং খুনৌ স্পাইনিং মিল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা কে কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেৎচ ২দা আই দব্লিউ এস সি খুন্নোং অমদি এস আই সি ও লৌরেম্বম লৈকায় মায় পাকখ্রে।



ঙসি মেৎচ অমদা আই দব্লিউ এস সি খুন্নোংগা য়ু পি সি পিসুম ওইনাম লৈকায়গা লম্বা থেংনবদা আই দব্লিউ এস সি খুন্নোংনা গোল ১–০দা মায় পাকখিবনি।

নাকল অনিমক্কা লম্বা চানা শান্নখিবা মেৎচ অদুদা আই দব্লিউ এস সি খুন্নোংগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেৎচ অদুগী ২১শুবা মিনটতা য়ু পি সি পিসুম ওইনাম লৈকায়গী সনজয়না আউন গোল ওইনা চনখি।

মেৎচ অদুগী মিনট অমত্তা ঙায়রিঙৈদা আই দব্লিউ এস সিগী কে ঐচ তাইবংঙানববু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অতোপ্পা মেৎচ অমদনা এস আই সি ও লৌরেম্বম লৈকায় অমদি পাময়াল পাৎসোই টিম অনিনা লম্বা থেংনবদা এস আই সি ও লৌরেম্বম লৈকায়না গোল ২–০দা মায় পাকখিবনি।

মেৎচ অদুদা এস আই সি ও লৌরেম্বম লৈকায়গী গোল ২ অদু মেৎচকী মিনট ৪দা জসোবন্তনা গোল ১ অমদি মিনট ৬২দা জিনেন্দ্রনা গোল ১গা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্তথরকপা ওইনা মথং থা ওক্তোবর ২দা শান্নগদবা অহানবা মেৎচতা কে ৱাই সি নোর্থ খুরখুলগা জুবিনাইল তেরা সাপম লৈরককা অমদি অনিশুবা মেৎচতা এস পি ৱাই এ অৱাং সেকমাইগা এম ৱাই সি মহারবিগা লম্বা তৌনরগনি।

মেৎচ অদুগী ৩৫ প্লস ২দা পাময়ালগী দব্লিউ রোজেনবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং শান্নগদবা লীগ মেৎচ অমদা কে এস সি নম্বুলেন্দগা এম এস সি মালোমগা অমদি অতোপ্পা মেৎচ অমদনা এস আই সি ও লৌরেম্বম লৈকায়গা য়ু পি সি পিসুম ওইনাম লৈকায়গা লম্বা থেংনরগনি।

# ২শুবা টিঐচ হেরা সিংহ মেন্স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ এমআইটিএলনা দিবোং জিপি (এ)বু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী কলিমাই মন্দোবতা টিম ৬না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরকখিবা অনীশুবা টি ঐচ সেরা সিংহ মেন্স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি শান্নখিবা মেৎচতা এমআইটিএলনা দিবোং জিপি (এ) বু পাঞ্জল ১৫–৮দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেৎচতা এমআইটিএল জিরিবাম অমদি দিবোং জিপি (বি) না মাইকৈ খনখি। অপীবা মতমদা টিম অনীনা য়াম্না কম্পিটিটিব ওইবা মওংদা কাং কাপ্পখি। অদুবু অরোইবা মতমদা এমআইটি, জিরিবামনা দিবোং জিপি (এ) বু পাঞ্জল ১৫–৮ দা মায়থিবা পীখি। ঙসিগী মেৎচ অসিদা জজ ওইনা মঙ্গি মৈতৈ অমদি স্কোররনা কে রজেন সিংহ না ওইখি।

হয়েংগী মেৎচ ওইনা দিবোং জিপি (বি)অমদি এলইসি দিবোংগা শান্নরগনি।

# শ্রী শ্রী গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
শ্রী শ্রী গোপালদেব কাংখুৎ, য়াইস্কুলনা শিন্দুনা টিম ৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৭তগী য়াইস্কুল গোপালদেব কাংশঙদা চথরিবা চহি ৫০দগী ৬০ মথক্কী ওইবা শ্রী শ্রী গোপালদেব সেকেন্দ লীগ কম নোক–আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেৎচতা গোপালদেব বি কাংখুৎনা আই দব্লিউ কে কে কাংখুৎ উচেক্লোনবু পানজল ২০–১২দা থোইদুনা গোপালদেব বি কাংখুৎ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেৎচতা গোপালদেব (বি) কাংখুৎ য়াইস্কুলগা থাংমৈবন্দ কাংখুৎ থাংমৈবন্দগা লম্বা থেংনরগনি।

# মেডালিষ্ট লেক্ত্রোজেনবু হরাও–তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
হৌখিবা ওগষ্ট ২৬তগী ২৭ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপ্পা নেসনেল সোতোকান কারাতে ফেদরেসননা শীল্লগা রেষ্ট বেঙ্গলগী গৌখা ভৱান্দা পাঙথোকখিবা ৬শুবা সাউথ এসিয়ান নেসনেল সোতোকান করাতে চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ তা কেজি ৬০গী কাং লুপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবদা সিলভর মেডল ফঙলকখ্রবা হৈরোক কৈথেলদগী লাইশ্রম লেক্ত্রোজেনবু ঙসি হৈরোক লাইব্রেরি কম স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা হরাও–তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা হৈরোক কৈথেলদা লৈবা মীপুনশংদা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিয়নগী মাইকৈদগী শান্নরোই অসিনা তুংগী পুন্সিদা মণিপুরগীতা নত্তনা ভারতকী ওইনসু মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইনসু হায়না ফোঙদোকখি।



সিলভর মেডালিষ্ট লেক্ত্রোজেন হৈরোক কৈথেলদগী লাইশ্রম ইবোপীশক অমদি প্রমোগী মচানি। মমাংদা মশান্না অসিদা মেডল কয়া লৌরকখ্রবা শান্নরোইনি। হন্দক্কী চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী পুন্না শান্নরোই ১৮না শরুক য়াখি হায়রি। ঙসিগী ওকপগী থৌরম অদুদা হৈরোক নগর পঞ্চায়টকী বিজেপিগী কাউন্সিল্লরশিংসু শরুক য়াখি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
চহি অসিগী সেপ্টেম্বরগী তাং ৩গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দ বিষ্ণুপুরদা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চহি ৬–১৪ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়রি।

শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা হায়রিবা তারিক অসিগী অয়ুক পুং ৬.০০ তাবা মতমদা মখোয় মখোয়গী ফুল কিটশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ৪শুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া জিট কুনে–দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
থা অসিগী তাং ২৬ অমদি ২৭ ফাওবা জিট কুনে–দো এসোসিয়েসন ওফ অসামনা শীন্দুনা অসামগী সরুসজাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স (বোক্সিং এরেনা ) গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৪শুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া জিট কুনে–দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭দা মেডল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অমদি শরুক য়ারুবা ওফিসিয়েলশিং ওকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা মেডল লৌরক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি স্মোল কিদ বোইজকী কেতেগোরিদা চবুংবম নোংশামৈনা গোল্ড মেডল, কেজি ২০–২৫গী কেতেগোরিদা পি রজেস মৈতৈনা সিলভর মেডল, কেজি ২৫–৩০গী কেতেগোরিদা পি থমবৌ সিংহনা গোল্ড মেডল, কেজি ৪০–৪৫কী কেতেগোরিদা মোইরেঙ্গম ব্রোবিন এলাইজ মনাও সিংহনা গোল্ড মেডল, কেজি ৬০–৬৫কী কেতেগোরিদা নাওরেম ধনারাজ মৈতৈনা ব্রোঞ্জ মেডল অমদি টিম কোচ কম ওফিসিয়েলদা সিফু সি ঐচ প্রেমচান্দ্রা সিংহ নি।

# চাইনা, জপান অমসুং কোরিয়াগুমনা ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌবা ঙমগনিঃ সাইনা অমসুং সিন্ধু

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ঃ
ইন্দিয়াগী মালেমগী নুপীগী বেদমিন্টনদা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইরিবা পিভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা চাইনা, জপান অমসুং কোরিয়ানা বেদমিন্টন মশান্নদা মতম শাংনা খুদুম চন্দুনা লাকখিবা অদু ইনিদয়াসু চপ মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা স্কোটলেন্দগী গ্লাসকোদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপীগী ওইবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা মতুং সিন্ধুনা ফাইনেল য়ৌরগা সিলভর ফঙখিবনি।

মখোয় অনীগী ৱারোলদা মশান্না অসিদা মতম শাংনা চাইনা, জপান অমসুং কোরিয়ানা খুদুম চন্দুনা লাকখিবা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী চপ মান্নবা মওংদা মালেমগী বেদমিন্টনগী লমদা খুদুম চানবা ঙমগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

# পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ই এল এস এ নরানসৈনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা টিম ১৩না গ্রূপ ২ খায়দোক্তুনা মিনি ষ্টদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চথরিবা ৪শুবা ঐচ পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেৎচ অমদা ই এল এস এ নারানসৈনা গোল ৪–০দা মায় পাখ্রে।



চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২শুবা মেৎচ ওইনা ই এল এস এ নারানসৈনা অমদি বি এফ এ নাচৌ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ই এল এস এ নারানসৈনা গোল ৪–০দা মায় পাকখিবনি।

মেৎচ অদুদা ই এল এস এ নরানসৈনাগী মায় পাকপগী গোল অদু মেৎচ অদুগী ৩৫ প্লস ২দা কে ঐচ কৃষ্ণদাসনা গোল ১, ৫৪শুবা মিনটতা এস ঐচ কৃষ্ণানন্দনা গোল ১, ৬০শুবা মিনটতা কে ঐচ ভ্যুনসিংহনা গোল ১ অমদি ও বুংথোইনা গোল ১গা চনখি। মেৎচ অদুগী মিনট ২৪, ৩৫, ৩৫ প্লস ১, মথংসিৎনা বি এফ এগী বিসাল, ই এল এস এগী কে ঐচ ব্যুন সিংহ অমদি এল ভাবিয়াচান্দ অমদি বি এফ এগী এল চিংখৈঙানববু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।মেৎচ অদুদা আর কে রনজননা সেন্তর রেফরি, এস পুন্সিনা এ আর ১, ৱাই লুংসুনা এ আর ২ অমদি থাউজোন্নিনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

# ১২শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল এল কে ৱাই সি লাইবোনা খুনৌনা এস ই ভি এ নরানসৈনাবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা টিম ১৫না গ্রূপ ২ খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২২দগী মিনি ষ্টদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চথরিবা ১২শুবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেৎচ অমদা এল কে ৱাই সি লাইবোনা খুনৌনা এস ই ভি এ নরানসৈনাবু গোল ২–১ থোইখ্রে।



চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেৎচ ওইনা ঙসিগী মেৎচতা এল কে ৱাই সি লইবোন খুনৌগা এস ই ভি এ নরানসৈনাগা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেৎত অদুদা এল কে ৱাই সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মেৎচকী মিনট ২১ অমদি ৬০ প্লস২দা মথংসিংনা বোইপু সিংসন অমদি এম হাউপুনা চনখি।

মায়থিহৌরবা এস ই ভি এ নরানসৈনাগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুদা মেৎচকী ১০শুবা মিনটতা এম কিরননা চনখি।

মেৎচ অদুদা থাউ জোনি চোথেনা সেন্তর রেফরি, ৱাই লুংসুনা এ আর ১, এস পুন্সিনা এ আর ২ অমদি আর কে রনজননা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখাতারকপা ওইনা হয়েং শান্নগদবা লীগ মেৎচ অমদা বি ৱাই দি ও বোরায়াংবীগা এলেভেন ষ্টার চরাংপাৎকা লম্বা থেংনরগনি।

# উর্জা অন্দর–১৯ টুর্নামেন্টকী ৱিন্নরশিং এআরনা ফেলিসিটেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ঃ
উর্জা অন্দর –১৯ টেলেন্ট হন্ট টুর্নামেন্টকী নেসনেল ফেজদা মায় পাক্লকখ্রবা মণিপুর গর্লস টিম অমা ওকপগী থৌরম অমা ৯শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হেদ ক্বার্টরস আইজি এ আর (সাউথ) তা ঙসি পাঙথোকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অদু তাঙ্কক অহুম থোক্লা মণিপুরদা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিং শরুক য়াহন্দুনা পাঙথোকখিবনি। নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী মরক্তগী খনগৎলবা টিমশিং অদু শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা জোনেল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখি। অমসুং মদুদা নুপীমচাশিংগী টিমনা চেম্পিয়ন ওইখি অমদি নুপামচাগী টিম অদুনা রন্নর্স–অপ ওইখি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ফেজদা মণিপুরগী নুপীমচাগী টিমনা টুর্নামেন্ট অদুদা শান্নখিবা টিম পুম্নমক মায়থিবা পীবা ঙমখি অমসুং লুপা লাক্ষ ৫গী কেস প্রাইজগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদু থোইবগী চেম্পিয়ন্স ত্রোফি খুৎশিন্নরকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা আইজি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল বিরেন্দ্র সিংহ, বিএসএমনা মণিপুরদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন অনীনা মণিপুরগী ফুটবোল চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং কয়া অদু থাগৎখি।

মখা তানা শান্নরোইশিংগী মমা–মপা ওইবশিংনা মণিপুরগী মনুংদা শান্নবগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুগীদমক মহাক্না মখা তানা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মখা তানসু অসাম রাইফলসনা মণিপুরদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোই খুদিংমক্তা শৌগৎপগা লোয়ননা মখা তানা মতেং কয়া পাংগনি হায়বা ৱাফম অদু অমুক হন্না মীয়ামদা নিংশিংখি।

শিল্লোংদা হন্দক শান্নরোইশিংগী মরক্তগী স্পোর্টস কোটাদা এ আরগী স্পেসিয়েল রিক্রুইটমেন্ট রেল্লি অমা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা রিক্রুইটমেন্ট অদুগীদমক উর্জাগী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই কয়া অমসু ফোর্ম থাজিন্দুনা ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসতা চংনবগীদমক দরখাষ্ট থারকখ্রে। মসিদা আই জি এ আর (সাউথ) কী হেদ ক্বার্টর অসিনা অঙম্বা মতেং পুম্বা পীগদৌরি হায়খি।

থৌরম অদুদা ব্রিগেদিয়র জেএস বৈন্সলা, ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী কম্মান্দর, ষ্টেট অসিগী শান্নরেইশিংগী মনুংদা বেমবেম দেবী, রেনেদি সিংহ অমদি টিম মেম্বরশিংগী অহল–লমনশিংনা শরুক য়াখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা হায়রি।

# পুজরা অমসুং ভিরাটকী পোজিসন হোংদ্রি

দুবাই, ওগষ্ট ৩১ঃ
ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মাইকৈদগী টেষ্ট ক্রিকেট শান্নরোইশিংগী খ্বাইদগী নৌবা মকোক–মথং তাবগী লিষ্টতা লৈবদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং চিতেশ্বর পুজরাগী মফম হোংদনা অদুমক লৈরি।

আই সি সি গী মাইকৈদগী থোক্লকপা খ্বাইদগী নৌবা লিষ্ট অদুগী বেটচমেনশিংগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন স্মিটনা মকোক্তা লৈরি। মহাক্কী মতুংদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন জে ারুট অমসুং ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিমসু লৈরি।

ইন্দিয়াগী পুজরানা মরিশুবা অদুগা ভিরাট কোহলিনা মঙাশুবা পোজিসন অদুমক লেংদনা লৈরি। ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বেটচমেন কে এল অরুন ১০শুবা পোজিসনদা হল্লখি। বোল্লরশিংগী ওইনা রবিন্দ্র জাদেজানা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান বোল্লর ওইরি।



Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*